কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইননবা হিয়াংলম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা অশা ৱার্কর অমদি দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিংদা হীদাক-লাংথক, চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখিবা

দি গুদ কর্ম ফাউন্দেসন, থাঙ্গগী ৪শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরমগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা থাঙ্গ চিংখা ৱার্দ নম্বর ৫ অমসুং ৬কী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা য়ুমথোঙ ১৫দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

THE GOOD KARMA FOUNDATION

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং মরক অসিদা অনাবশিং লায়েংবদা মতেং ওইননবা রিমস কোন্ত্রেক্টর্স এসোসিএসনননা দি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১০ রিমসগী দিরেক্টর প্রো. এ সান্তদা খুৎশিন্নখিবা

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নৌনা এস পি ওইনা চার্জ পুখ্রবা ডা. এস ইবোমচাবু কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবিনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা কোভিদ থেংনবদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা অচম্বা খুদোল তমখিবা

তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নৌনা এস পিগী চার্জ পুখ্রবা এন হেরোজিৎ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নৌনা এস পিগী চার্জ পুখ্রবা ডা. এস ইবোমচাবু কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স পৌরাবিনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা এস পি অনীদা টাস্ক ফোর্সকী থৌমীশিংনা অচম্বা লেংয়ান অমমম খুদোল তমখ্রে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদা থৌনা লৈনা লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবতা নত্তনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌববুসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সী এম ও ডা. এস প্রিয়োকুমারদসু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা অচম্বা লেংয়ান অমা খুদোল তমখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ জেইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু জনমেঞ্জয় মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং অমসুং অথুবা মতমগী মনুংদা লাক্লগনি হায়না পানরিবা অহুমশুবা ৱেভ অসিদগী ঙাকথোকমিন্ননবা মণিপুর ফিল্ম ফ্রেটর্নিটিখক্তগী ওইবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অমা ঐচ৩৬০ পিকচর্সকা দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসকা খুৎশম্নরগা লাক্লিবা জুন ২৭তা পিশুমথোং ওইনাম লৈকায় লাইরেম্বী লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি। ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসিদা মণিপুরী ফিল্ম ফ্রেটর্নিটিদা লৈরিবা খুদিংমক্না শরুক য়াদুনা ভেক্সিন কাপথোক্লনবা মণিপুর ফিল্মগী এক্ট্রেস বেলিন্দা ওইনাম অমসুং দাইরেক্টর হেমন্তা খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নুঙবী নুঙলেন খিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): ময়াং ইম্ফাল খুমন য়াংবী শাবল, করাং আই ভী রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ইবুধৌ খুমন পাখঙবগী 'খুমন য়াকা পুঙ, শোন্না পুঙ, য়ালৌ পুঙ'দা ঙসি নুঙবী নুঙলেন খিনখ্রে। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লৈঙাক্লা পীবা কাঙলোন ঙাক্লা পাঙথোকখিবা নুঙবী নুঙলেন খিনবগী থৌরম অদুদা য়াইফলেন সিতপা মপু লুপ লোয়শিংসু শরুক য়াখি হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরি এল সুর্জিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): হ্যুমেন রাইটস এলর্ট মণিপুর টিমগী রিপ্রজেন্টেটিব বব্লু লোইতোংবমনা প্রটয়েক হায়বা দেল্লীদা বেজ তৌবা এন জি ও অমগী মতেংগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক কন্না মীয়ামগী পুন্সিদা চৈথেং পীরিবা পেন্দমিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী চৈথেং ফংলিবা থৌবালগী মীয়ামগী তঙাইফদবা ওক্সিজেন মথৌ তারকপা মতমদা খরমখৈ মতেং ওইননবা হায়দুনা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ১, অমদি লাইচৎ অসি লানথেংনবদা অঙন্বা থৌদাং য়ারিবা টাস্ক ফোর্সকী লোকেল ভলন্টিয়রশিংনা শীজিন্ননবা পি পি ঈ ৫, ঙরাং থৌবাল অপুনবা লুপ (টি এ এল)দা মতেং পাংখ্রে। মতেং অসি পীবিবগীদমক হ্যুমেন রাইটস এলর্ট মণিপুরগী টিমবু টি এ এলনা অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): থোংজু এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা থোংজু এ সীগী মীয়াম্বু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকপগী মনুং চন্না মরিরক শুবা ওইনা তোর্বান ক্ষেত্রি লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী ওইনা মফম অনী থোক্লা মাস ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চথদুনা মীওই কয়া কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখ্রে। থোংজু এ সী ভলন্টরি ৱার্কর্স কোভিদ-১৯ রিলিফ কন্মিটি, তোর্বান ক্ষেত্রি লৈকায় জি পি লেভেল কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা লোকেল ক্লবশিংগা খুৎশম্নদুনা ভেক্সিননেসন দ্রাইভ অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

মহৈরোয়শিং তাকপী তন্বীবগী থবক্তা বোয়কোট তৌবিগনু : মহৈরোয় লুপ ৬

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): ওজাশিংনা খোঙজং চঙশিনবদা মহৈরোশিং লাইরিক তাকপী তন্বীবগী থবক্তা বোয়কোট তৌবিগনু হায়না মহৈরোয় লুপ ৬না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী প্রসিদেন্ট এন চেতন, সুককী প্রসিদেন্ট এদ ধনকুমার, এমসুগী প্রসিদেন্ট ঐচ চলাম্বা, দেসামগী প্রসিদেন্ট এন ইদিসন, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিদ্যাসাগর অমসুং এইমসকী প্রসিদেন্ট এস ঐচ প্রেমচান্দনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী কোলেজগী ওজাশিংনা তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দ অমা ওইরিবা ৭শুবা য়ু জি সী পে অমদি রেগ্যুলেসন ২০১৮ চৎহন্নবা অসিগা মরী লৈননা ফেগোক্তানা জুন ৩০দগী ওনলাইন ক্লাস বোয়কোট তৌরবা য়াই হায়রিবসি মহৈরোয়শিংদা ৱাখলগী চরাঙনবা পোকহনবা থৌওং অমনি এমসু, এম এস এফ, দেসাম, এইমস, সুক অমসুং কে এস এনা য়ানিংদে। লোয়ননা ফেগোক্তাগী ওজাশিংনা লৌরিবা ফিরেপ অসি হন্দোকপিনবা হায়জরি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লসু হীরম অসিদা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবিয়ু। মহৈরোয়শিংবু বলিগী হামেঙ ওইহনগনু। হঞ্জিন হঞ্জিন্না লৈঙাক্লা ওজাশিংগী থাজবা মাঙহনবা অমদি ফংফম থোকপা রাইটশিং মতম চানা পীবিদবদগী ওইহল্লকখিবনি হায়বা মীয়াম্না খঙই। অদুমওইনমক ক্লাস বোয়কোট, এগজামিনেসন বোয়কোটনচিংবা থৌওংদি তৌবিগনু।

ওজাশিংনা গভর্ণমেন্টতা তানবা দিমান্দ ফংদ্রে হায়দুনা সোফ্ট টার্গেট থিদুনা মহৈরোয়শিংদা তাইনবা খুদক্তগী তোকপিয়ু। ওজাশিংগী ফংফম থোকপা রাইট গভর্ণমেন্টনা পীদ্রে হায়রবদি কোর্টতা চত্তুনা লিগেল ফাইট তৌবিয়ু। মদুগী মহুত্তা গভর্ণমেন্টনা ৭শুবা পে পীদ্রে হায়দুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ তন্বীরোই অমদি এগজামিনেসন তৌবদা য়ৈখায় থিনগায়বা পীগনি হায়বসি মরম চাদে, সেল্ফ-কন্ত্রাদিক্টরি ওই। ওজাশিংগী ফংফম থোকপা রাইট অমা ফংদ্রে হায়দুনা মহৈরোয়শিংগী ফংফম থোকপা রাইট অদু ওজাশিংনা অমুক মহৈরোয়শিংগী মফমদগী মৎপিবনি। ঐ চৈ চারে হায়দুনা নখোয়সু চৈ চাও হায়বগা পাঞ্চক ওই। মমাঙথক্তা অহানবা সেমিষ্টর অমদি অহুমশুবা সেমিষ্টরগী এগজামিনেসন মতম চানা পাঙথোকহৌদ্রিবা অসি ওজাশিংনা ষ্ট্রাইক তৌখিবদগীনি কাউবিগনু। কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিন তম্বদা খম থেংনা অকায়বা পীদুনা ৱাখল লৈতাদ্রিঙৈ চৈরক অসিদা অসিগুম্বা খোঙথাং অমুক লৌরকপা হায়বসি লৈবাক মচা তাবা ৱাৎলি। নাকল অমরোমদা লৈঙাক্লসু ওজাশিংগী পীথোকফম থোকপা দিমান্দ অদুদি অথুবদা পীথোকপিয়ু। লৈবাক ইরাঙ থোক্ত্রিমখৈ দিমান্দ পীদবগী হৈনবীদু থাদোকপিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): বি জে পি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবগী পান্দমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অভে গিরি য়াওনা বি জে পিগী থৌমীশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি ককচিং মখালৌ, ইরুম নিংথৌ পরেংদা লৈবা ককচিং এসীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বস অমদি এম দি এসকী চ্যেরমেন অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোয় এম অশিনিকুমার য়াওনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মীফম অদুদা বি জে পি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা লৈবা মন্দলশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মোর্চাশিংগী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুনা বি জে পি মন্দলশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিংগী মতাংদসু পাউদম্নখি অমসুং বি জে পি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা মন্দলশিংগী থৌ পুরিবশিং, বি জে পি থৌমীশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং অদু নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

হৈরোক এ সীগী মীওই ১৫৯২দা পেন্সন য়েনবা হৌরগনি : এম ওকেন্দ্রো

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্ট হৈরোকনা লিশাং শীৎনা চথরকপা হৈরোক এ সীদা লৈবা লৈঙাক্কী পেন্সন ফংদ্রিবা অহলশিং, মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিং য়াওনা মীওই ১৫৯২দা পেন্সন পীবগী থবক জুন ২৫দগী হৌরগা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না ট্রষ্টনা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা ময়ুম ময়ুমদা চত্তুনা খুৎশিন্নবা হৌরগনি। মশাগী বেঙ্ক একাউন্ট লৈবশিংসু মশা-মশাগী একাউন্ততা হাপ্লবা থৌরাংশিং লোইরে হায়না মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

হৈরোক্তা লৈবা হান্নগী মিনিষ্টর অসিগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এম ওকেন্দ্রোনা হায়, ট্রষ্ট অসিনা চহী খুদিংগী পেন্সন অসি ফেজ অনী থোক্লা জুন ৭ অমসুং দিসেম্বর ৭দা পীদুনা লাকপনি। অদুবু হন্দক্কী অসিদি লোকদাউননা মরম ওইরগা জুন ৭তা য়েনবা ঙমজখিদ্রে। অদুবু হয়েংদগী হৌরগা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না পীবা হৌজরগনি। ট্রষ্ট অসিনা কনা লৈত্রবশিংদা মতেং ওইনা কুমজা ১৯৯৫দগী হৌজিকফাওবা লেপ্তুনা পেন্সন পীবগী থবক চঙশিঞ্জরকপনি।

মালেমদা অহানবা ওইনা হৌখিবা এপ্রিল ১১দা লেন্দ বেঙ্ক হাংদোক্তুনা মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ইবোতোম্বী মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্টনা হাংদোক্লিবা বেঙ্ক অসিদা হৈরোককী পুকচেল চাউরবশিংনা লৌ শঙম ৩১৪ পীবিরক্তুনা এ সী অসিগী লৈজদবা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা বেঙ্ক অসিগী খুথাংদা লৌ উজহনখ্রে। কোভিদ-১৯গী মিপাইবা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা তেংবাঙ পীবিরকখিবশিংবুসু থাগৎচরি। ট্রষ্টনা লীশাং শীৎনা লেপ্তুনা য়েঞ্জরিবা পেন্সন অসি ফাওবা লমদম অসিগী পুকচেল চাউরবশিংনা লৈখিদ্রবা হান্নগী মিনিষ্টর ইবোতোম্বীবু নুংশিবিদুনা ট্রষ্ট অসিদা মতেং পাংবিরকখিবা অমদি লৈখিদ্রবা ইবোতোম্বীগী ফেমিলি পেন্সন অমসুং এক্স মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোগী পেন্সননা পীজবনি। ঙসিসু লেপ্তুনা ট্রষ্ট অসিগী 'হিংসি অমসুং হিংমিন্নসি' হায়বা পান্দম অসিদা থাজবিদুনা মতেং পাংবিরকপা লেপ্তুবা অসিনা ঙসিদি অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইরে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মরক অসিদা মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদসু ট্রষ্ট অসিনা বেঙ্ক একাউন্টকী খুথাংদা মতেং পাংজখ্রে। মখা তানসু অৱা অনা তারবা কয়াদসু ট্রষ্ট অসিনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংবগা লোয়ননা এম্বুলেন্সকী খুদোংচাবশিং পীদুনা লাক্লি। ট্রষ্ট অসিনা এ সী অসিগী কেন্সর পেসেন্ট ২৮৯দসু মতেং পাংদুনা লাক্লি। মখা তানসু ট্রষ্ট অসিনা এ সী অসিগী অৱা-অনা তারবশিংগীদমক মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

'লৈবাক্কী য়াইফনবা লৌথোকখিবনি'

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): চহী ৪-৫ চুপ্না খন্নরবা তুংদা হৌখিবা জুন ১৮গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা ঐখোয় খ্বাই খিবিক্লা কোক নোঞ্জরিবা কংলাদা লৈরিবা কংলাশা হায়না খঙনরিবা শক্তম অনীগী ময়াদা চৈঙাক কাবাক খন্দুনা লৈবা অৱাবগী শক্তমবু লৌথোকখ্রে হায়বা লৈবাক মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। তৌরিবা থবক অসি লন্নাই মীওই অমত্তনা মশাগী কান্ননবা তৌখিবা নত্তে। লৈবাক্কী কষ্টম অমদি ট্রেদিসনগী মকোক ওইরিবা উত্রা, সনামহি লাইশঙ, ইমা-ইবেলশিং অমসুং অখঙ-অহৈ কয়া য়াওনা খন্নরগা তৌফম থোকপা লাইথৌ তৌদুনা লৈবাক্কী য়াইফনবা লৌথোকখিবনি হায়না লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাখল লমজিংবা এলিয়জ বিদ্যাপতি সেঞ্জমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লাইবক থীবদি অমনা তৌরবদি হেক্তা য়েৎকনি হায়না খনবা মীওই খরনা লন্নাইগী ওইবা ৱাফম পুথোক্তুনা ফেসবুক অমদি মীদিয়াদা ৱাফম কয়া থল্লকপা থেংনরে। লাইনীংদি চৎনীংবা লাইনীং চৎপা য়াই, মানা মানা চৎলিবা লাইনীংদা মায় ওনশিনবীয়ু। মীদিয়াগী খুথাংদা অখঙ-অহৈ শাদুনা ৱাফম কয়া থল্লক্লিবা মীওইশিনা লান্না পাউতাক পীদুনা মমাঙদসু লাই হরাউবা হায়বা লুরবা থৌরমগী মতাংদা চাউরবা ৱাথোক লৈখি।

হায়জনিংবদি ফুরুপকী মরমদা অহৈ অপা শাদবা ফগনি। সনামহি টেম্পলনসু অচৌবা থৌদাং লৌবা য়াওদুনা কংলাশাগী চৈঙাক খনবদু লৌথোকখিবনি। অসিগুম্বা লৈবাক মীয়ামদা লান্না উহন্নবা ৱাফম অসি চাউথোক্লবা শীনবিগনু। ঐ ঐনা চৎলিবা লাইনীংদা পুক্নীং লুপশিন্দুনা মালেমগী য়াইফনবা হোৎনসি। তৌরিবা থবকসি ফুরুপ অমখক্কী নত্তে, লৈবাক মীয়ামগীনি খনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নৌনা খল্লবা এজেন্টশিংনা চেঙ য়েনবগী থবক্তা অথিংবা পীবিরক্কনু : এফ পি এস এজেন্টশিং

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): নৌনা খল্লবা এজেন্টশিংনা চেঙ য়েনবগী থবক্তা অথিংবা পীবিরক্কনু হায়না ৱাংখৈ এ সীগী নৌনা খল্লবা এফ পি এস এজেন্টশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্লা নৌনা খল্লবা ৱাংখৈ এ সীগী এফ পি এস এজেন্টশিংগী মহুৎ শিল্লদুনা ৱাংখৈ এ সী দিভেলপমেন্ট কন্মিটিগী সেক্রেটরি ৱাই ইন্দ্রানিনা হায়, কুমজা ২০২১গী এপ্রিল থাগী ওইনা পীরকপা নফসাগী চেঙ অদু হৌখিবা জুন ২২দা এফ সী এস গোদাউনদগী এফ পি এস এজেন্টশিংনা চিংথোক্লগা বেনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকপা হৌরকপদা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কন্মিস্নর অমদি সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসর লাক্লগা চেঙ য়েল্লিবা এজেন্টশিংদগী চেঙশিং অদু অমুক লৌখৎখিবা অসি লাইবক থীবনি। হৌজিক কোভিদ-১৯গী মীয়াম্না ৱানরবা মতম অসিদা এজেন্টশিংনা মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোকপা হৌরকপদা থিংজিল্লকপা অসি মরম চাদে। নৌনা খল্লবা এফ পি এস এজেন্টশিংনা চেঙ চিংথোক্লগা মীয়ামদা ফংহনবা হৌরকপদা অথিংবা পীরক্লিবা অসিগী মতাংদা ৱাংখৈ এ সীগী এম এল এ ৱাই ইরাবোতনা মীৎয়েং চঙবিনবসু ৱাকৎখ্রে।

এজেন্টশিংনা চেঙ য়েনবা য়ারোই হায়রগদি শেল থীরগা চলান কক্তুনা গোদাউনদগী চেঙ লৌথোক্ত্রিঙৈদা মণিপুর লৈঙাক্কী সী এ এফ এন্দ পি দিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা মতম চানা থিংবিদ্রিবা করিগীনো। মখোয়না অথিংবা পীরল্লবদি চিংথোক্লমদবসু য়াই। এজেন্টশিংনা চেঙ চিংথোক্তুনা মীয়ামদা য়েন্থোকপা হৌরক্লবা মতুং দি সীনা এজেন্টশিংনা চেঙ গোদাউনদগী হুরাল্লগা চিংথোকপগী মওংদা চেঙ অমুক লৌখৎখিবা অসি লাইবক থীবনি। সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা করিসু খঙশিন্নদনা অমদি কোর্টনা পীখিবা য়াথংবু ঙাক্তনা কনাগুম্বা খরনা অরানবা পাউ তমশিন্দুনা ঈনশিনবদা লৌদুনা এজেন্টশিংদগী চেঙ লৌখৎখিবগী থৌওং অসি পেন্দে। হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লসু অকনবা মীৎয়েং চঙবিয়ু। অচুম্বা চপ-চাবা অমা ফংনবা মখা তানা কোর্টতসু থেংনবা য়াবা থেংনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): গুদ কর্মা ফাউন্দেসন, থাঙ্গগী মরিরক শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম ঙসি থাঙ্গ চিংখা লৈহাউথাবমদা লৈবা টেম্পররি ওফিসতা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না গুদ কর্মা ফাউন্দেসন, থাঙ্গগী প্রসিদেন্ট সলাম নোরেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ফাউন্দেসন দেদা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্বকী মহৈরোয় অমদি অতৈ শান্না খোৎনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মাঙজিল থারকখ্রবা অমদি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা লেমজনিংঙাই ওইরবা থবক তৌখ্রবা মীওই কয়াবু পুক্নিং থৌগৎতুনা ঙমজবা খুদোল পীরগা ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম হন্দক চহীগী ওইনদি পাঙথোকখিদ্রে। থৌরম অসি কোভিদ-১৯না মী য়াম্না পূনবা য়াদবনা মরম ওইরগা অরাপ্পা অমদি কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী থৌমী খুদিংমক্না ওফিসল জুম মীটিংদা শরুক য়ামিন্নখি।

হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদগী লেপ্তুনা চথরক্লিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংদা ঙসিসু ওর্গনাইজেসন অসিগী মরীশুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা থাঙ্গ চিংখা ৱার্দ নম্বর ৫ অমদি ৬কী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা য়ুমথোং ১৫দা আলু, থুম, চিনি, চা মনা অমদি সাপোননচিংবা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। কোভিদকী লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌমিন্নসি। লোয়ননা সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা অনৌবা নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি অমা পুরক্লবা ওর্গনাইজেসন অসিগী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

'মীয়ামগী চাকথুং ফংহন্দবগী ৱাকৎলগনি'

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): লল্লাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংহন্দবগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎলগনি হায়না লল্লাই মপারি থৌগল লুপনা ফোঙদোরক্লি।

লল্লাই মপারি থৌগল লুপকী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লল্লাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী অয়াম্বা মফমশিংদা নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট (নফসা) অমদি প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন্না য়োজনা (পি এম জি কে এ ৱাই)গী মখাদা মীয়াম্না ফংফম থোকপা চেঙগী চাকথুং ফংহন্দবগী ৱাকৎ কয়া লাক্লিবা অসি য়েংলগা লল্লাই মপারি থৌগল লুপনা অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পব্লিক গ্রিভান্সেস ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন, লল্লাই কৌবা লুপ অমা শেমখ্রে। পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈ য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা সনজ্রম্বম ধনবির মৈতৈবু কনভেনর ওইনা খনখি। ঙসিগী মীফমনা মীয়ামগী চাকথুং ফংহন্দবগী থৌওং খুদিংমক অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

চেরোল অসিনা হায়, গ্রাম পঞ্চায়ট অমমমদগী লুচিংবা খরতমক খনগৎলগা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ থেংননবা লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা চৎন-কাঙলোন কায়হন্দনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফম্না অথুবা মতমদা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা নফসা অমদি পি এম জি কে এ ৱাইগী লৈরিবা ৱাথোক অসি মরীক চুম্না খঙহনবা হায়নসু ৱারেপ্নখি। মীয়ামগী চাকথুং ফংহন্দ্রগদি মখা তানা তুমিন্না লৈথোক্তবা হায়নসু লেপ্নখি। তোঙান তোঙানবা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎকী চৈথেং য়েংলগা চেঙ শুনা পীবা ঙন্নগা লল্লাই এ সীগী ওইনা চেঙ শুনা পীদবা হায়বসি অচুম্বা নত্তে। মীয়ামগী চাকথুং শুনা পীবা ঙমদ্রবদি মরী লৈনবা লোয়শঙদা চৎলগা এজেন্টশিং রিজাইন তৌবিরো। চেঙ মশিং শুনা য়েনবা ঙম্বা মীনা য়েঞ্জসনু হায়বা ৱাফমসু পুখৎনখি। হৌখিবা মতমদা মীয়াম্না খরা উশিন্নদা, খরা খঙশিন্নদা লৈবনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎনা মীয়াম কোক্তা খুৎ হাপ্নরবা মতম অসিদা চেঙ মশিং শুনা য়েন্থোক্ত্রিবা অসি ক্রাইম এগেনষ্ট হ্যুমেনিটিনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মায়োক্তা লল্লাই মায়কৈগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরসি। মখা তানা তুমিন্না লৈথোক্লগুমসি। লৈকায় খুদিংমক্তা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংগী মতাংদা মরীক চুম্না খঙহন্দুনা মীয়াম য়াকায়হন্নবগী থৌদাং অদু নৌনা শেল্লিবা লুপ অসিনা লৌগনি। মরম অদুনা অওনবা লল্লাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইনবগীদমক মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংনবা নৌনা শেমখিবা লুপ অসিনা লৌফম থোকপা থৌদাং চপ চানা লৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লম্বী শেম্বা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এ সীগী মনুং চনবা বাংসিবুদোনদগী কিয়াম খোংনাংতাবা ফাওবগী য়াম্না ফৎত্রবা লম্বীগী শরুকশিং এ সী অসিদা মীরেপ ওইখিবা সোসল ৱর্কর টি ঐচ জাদুমনিনা ঙসিদগী শেমজিনবা হৌখ্রে।

লম্বী শেম্বা হৌখিবা অদুগা মরী লৈননা টিঐচ জাদুমনিনা হায়, লৈকায় অসিগী ক্লবকী মেম্বরশিংনা লম্বী শেমজিনবিনবা অমদি মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চঙবীনবা হায়রকপা অমদি খাঙবোক্কী প্রধাণশিং লোয়ননা জিল্লা পরিষদতসু লম্বী অসি শেম্বীনবা হায়রকপদগী মহাক মশানা চীফ মিনিষ্টরগী মনাক্তা চত্তুনা পাউদমখি। লম্বী অসি অশুক্কী মতিক ফত্তবা, নোং খজিক্তং তাবদা মী অমত্তা চৎপা য়াদবা মীয়াম্না হায়জরকপা খুদিংমক সী এমনা তাবীরগা লম্বী অসি শেমজিন্নবা পাউতাক পীরকপা অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙদা চে থারক্তুনা লম্বী অসি ঙসিদগী শেমজিনবা হৌবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জুন থাদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি: রামেশ্বর

ককচিং, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): ককচিং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা চৎলিবা থা অসিদা অহানবা তাঙ্কক্কী কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি হায়না ময়াংলম্বম রামেশ্বর এম এল এ, ককচিং এ সীনা ফোঙদোকখ্রে।

ককচিং এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা ইরেংবন্দদা পাঙথোকপা মাস ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদুদা এম এল এ রামেশ্বরনা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী সী এম, এন বিরেননা লুচিংলিবা সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী লৈঙাক অসিনা কোরোনভাইরসতগী ঐখোয় খুদিংমক ঙাকথোক্লবা পান্দমদা পাক-শন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা অমসুং টেষ্ট তৌবগী থবক লৌখত্তুনা লাক্লি। ককচিং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনসু মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা মাস ভেক্সিনেসনগী থবক অসি খুমাঙ য়াঙশিন্না লেপ্পা লৈতনা মফম মফমদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মখা তানসু মফম মফমদা পাঙথোকখিগনি। মীয়াম্নসু চিংনবা অমসুং অকিবা য়াওদনা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবশিং শোয়দনমক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। মাস টেষ্টিং অমদি মাস ভেক্সিনেসন পূন্না চথমিন্নবনা ককচিং এ সীদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি নোংমা নোংমগী হন্থরক্লে। কোভিদ লৈতবা, ককচিং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অমা, মণিপুর অমা অমদি ইন্দিয়া অমা ওইহন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নরসি ফোঙদোকখি।

মাস ভেক্সিনেসন থৌরম অদুদা অভে গিরি, জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন বি জে পি মণিপুর প্রদেশ, এন নিম্বস, ভাইস প্রসিদেন্ট, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ; এম অশ্বিনিকুমার, চ্যেরমেন এম দি এস; স্পোক্সপর্সন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশসু এম এল এ রামেশ্বরগা লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা অদুদা য়েংশিনবা লাকখি।

উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : দা. শ্যামা প্রসাদ মুখরজিগী ৬৮শুবা লৈখিদবগী কুমওনগা মরী লৈনা পাঙথোকপা বলিদান দিবসকী থৌরম বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি লল্লাই বি জে পি মন্দলনা শিন্দুনা লল্লাই কেন্দ্রগী শৈজাংদা লৈবা খুরাই লৈমা চিংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল কামনি, হৌখিবা জেনরেল ইলেক্সনদা লল্লাই কেন্দ্রদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা কেঐচ ইবোমচা, বি জে পি লল্লাইগী প্রসিদেন্ট ই অমিটকুমার, বি জে পি মহিলা মোর্চা ইম্ফাল ইষ্টকী প্রসিদেন্ট এম নাচোমনচিংবনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা উ চারা ২০০ রোমসু থাখি। লোয়ননা কেঐচ ইবোমচানা হায়, দা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি মরৈবাক নীংবা, অপুনবগী চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনবা পাল্লম্বা লুচিংবা অমনি। মহাক লৈখিদবা নুমীৎকা মরি লৈননা পাঙথোক্লিবা বলিদান দিবসকী থৌরম অসি জুলাই ৬ ফাওবা চৎথখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

করিদা অশোয়বা লৈরিবগে য়েংশিনবদা থাদরিবা মতম অসি কোভিদ থেংনবদা ওইনা শীজিন্নমিন্নসি : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবগী লুরবা মতম অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবকশিংদা করিদা অশোয়বা লৈরিবগে হায়দুনা য়েংশিনবদা থাদরিবা মতম অমদি ৱাখল্লোন অসি কোভিদ থেংনবদা ওইনা শীজিন্নসি হায়না হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোংদা লৈবা এম এল এ অসিগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকপা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা অশা ৱার্কর অমদি দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংদা হীদাক-লাংথক চান-থক্লবা পোৎলম অমদি শেলগী মতেং য়েন্থোকপগী থৌরম অমদা ৱাফম অসি এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা কোভিদকী অহানবা ৱেভ লাকপা মতমদগী হৌনা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি। হৌজিকসু অনাবা মীওই কয়াবু লেম্না লায়েংবগী মথক্তা লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনদুনা মাস ভেক্সিনেসন অমদি টেষ্টিং তৌবগী থবকসু লেপ্পা লৈতনা চথরি। লায়না লাইচৎ অসিবু থিংনবা লাউথোক্লিবা কর্ফিয়ু অসিনা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদসু লেম্না চেঙ ফংহন্দুনা মীয়ামগীদমক থবক কয়া তৌরি। অদুবু মতম অসিদা ওপোজিসন পার্টি মরুওইনা কোংগ্রেস পার্টিনা মখোয়দি ওপোজিসন ওইবনিনা লৈঙাক্তা য়েৎতবা য়াদে হায়বগী মওংদা লৈঙাক অসি থবক শুকতৌ তৌদবগী মওংদা কান্নদবা ইস্যু কয়া শাগৎতুনা লৈরে।

কোংগ্রেস পার্টিনা অরেম্বদা ইস্যু শাগৎলগা হৌজিক লৈঙাক্লা লাইচৎ অসিবু থিংনবা পায়খৎলিবা থবকশিংদা খুরৌ থাংহনবগী মহুত্তা লাইচৎ অসিবু থেংননবা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবকশিংদা মতেং পাংশিন্দুনা ষ্টেট অসিদগী লায়না লাইচৎ অসি মপুঙ ফানা লাকশীন্নবা অমত্তা ওইনা পুন্না হোৎনমিন্নসি। মদুনা লাইচৎ অসিবু থিংবা ঙমগনি। লৈঙাক্লা পাক-শন্না টেষ্ট তৌথোকপা অমদি ভেক্সিন কাপথোকপগী চাং হেনগৎলক্লি। লাংমৈদোংদা লৈবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর অমদি লাংমৈদোং গার্লস হায় স্কুলদা কোভিদ-১৯গী পার্মেনেন্ট ভেক্সিনেসন অমদি টেষ্টিং সেন্টর হাংদোকখ্রে। মীয়াম্না চিংনবা লৈতনা চহী ১৮ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবশিংনা ভেক্সিন শোয়দনা কাপথোকপিয়ু। কনাগুম্বনা লায়না লাইচৎ অসি নারমগনি হায়বগী চিংনবা লৈরবদি টেষ্ট তৌথোকপিয়ু। করিগুম্বা পোজিটিভ ওইরল্লবসু ঙন্না লায়েংথোক্তুনা ফনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

'তংদু লৈতাবা ফিভম থুগায়নবা হোৎনগনু'

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস): পোংরিংলোং (চরোইপান্দোংবা) খুল অসি কবুই ফুরুপকী য়াম্না লিরবা খুল অমনি। খুল অসিগী চৎন-কাঙলোন থুগাইবগী ৱাহৌদগী খুলদগী লাপ্না লৈনবা হায়খ্রবা গাইনাইচুং মালাংমৈনা খুল অসিগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা তংদু লৈতাবা ফিভম থুগাইনবা হোৎনবীগনু হায়না চরোইপাংদোংবা কবুই খুলগী থৌবৈগী চ্যেরমেন গোনথাঙ্গা গোনথাংমৈনা আপীল তৌরক্লি।

চরোইপান্দোংবা কবুই খুলগী থৌবৈগী মায়কৈদগী থাদোরকপা ভিদিও অমদা চ্যেরমেন গোনথাঙ্গা গোনথাংমৈনা হায়, গাইনাইচুং মালাংমৈগী মশুনুপা থ্বাংশিনরৈ মাংলামৈ নেসনল হায়ৱে ৩৭কী চরোইপান্দোংবা খুল মনাক্তা চহী অসিগী মার্চ ২০গী নুমিদাংৱাইরমদা টু হ্বিলর অমগী মনাক্তা শিনা ফংখিবা অদুগা চরোইপান্দোংবা খুলগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। মীশি অসিগা মরী লৈননা পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্টতা লৈখিদ্রবা থ্বাংশিনরৈ মালাংমৈ কোক শোকপদগী শিবনি লোয়ননা থৌদোক অদু এক্সিদেন্টনি হায়বা ৱাফম লৈখ্রবনি। অদুবু মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা টুপুল জে এ সী অমদি গাইনাইচুং মালাংমৈগী মীৎয়েং মখাদা লৈঙাক্কী অথিংবা পূম্বা থুগাইরগা খুল অসিগী য়ুম ৫ অমদি গাড়ি ৫ মৈনা তুম্না থাদোকপীখি। থৌদোক অসিমক য়াম্না লাইবক থীবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা টুপুল জে এ সীগী মায়োক্তা কেস অমসু রেজিষ্টর তৌদুনা লৈরিবনি। অদুবু টুপুল জে এ সীগী মেম্বর অমত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফাবা পুনবা তৌবা লৈত্রি। চেন্নবা মীওইশিং মনীং তম্না ফ্রী ওইনা চৎলি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিয়ু। লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকহনবদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীবিয়ু। লোয়ননা চরোইপান্দোংবা খুলগী অমাঙ অতা থোকখ্রবা য়ুমগী গাড়িশিংগী মতীক চাবা কম্পেন্সেসন লৈঙাক্লা অৱাবা তারবশিংদা ফংহনবিয়ু হায়না চ্যেরমেন গোনথাঙ্গা গোনথাংমৈনা আপীল তৌরক্লি।